# নুপীগী শুমাং লিলাগী শক্তম লাংবী -থোকচোম ওংবী ভাবিনি



নুপী ঙাক্তনা শান্নবা শুমাং লিল্লা মখল অসি ঐখোয়না ফেষ্টিভেলগী মতমদতা উবা। নুপাগী শুমাং লিল্লাগুম্না মফম মফমশিংদা উৎপগী চাংদি য়াম্না নেম্লি।

মসিগী মরুওইবা মরমশিং নৈনবগী তঙাই ফদবা লৈরি। অয়াম্বনা ফোল্কতা য়ুমফম ওইদুনা পুথোকপা নুপী শুমাং লিল্লাদা, নুপাগী সোসিয়েল প্লে য়ুমফম ওইদুনা শান্নবা প্লেশিং দা ভাবকশিংনা হেন্না ইন্টরেষ্ট লৈবনরা ? নুমিদাংগী মতমদা শম্না, অমমম–অথেংবদা অয়াম্বনা শান্নবা মখলগী লিলা ওইবনা ওইগদরা ?

খুদিংমকসি নৈননিংঙাই ওইরি। অদুবু হায়রিবা লিলা মখল অসিগী খোঙচৎতি লেপ্পা নাইদনা অদুমক চত্থরি। লোয়নননা লিলা মখল অসিবু লমদম অসিগী লৈহাওদগী মুৎখিদনা হায়দুনা ইচং থৌনা হোৎনরিবশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মতম শাংনা অচৌবা থৌদাং য়ারক্লবী নামৈরকপম নিংঙোল, থোকচোম ওংবী ভাবিনি লম অসিদা শক্লাইরবী শাক্তমলাংবী অমা ওইনা শিংথানবা য়ারবী অমা ওইরি। শোক ১৯৫৪ গী জনুৱারিগী তাং ১দা নামৈরকপম তোম্বা অমদি নামৈরকপম ওংবী অপাবী অনীগী মচা ১৪ গী মনুং দা অহুমশুবী ওইনা তাইবং দা খোঙদারকখি। মপুবোক নামৈরকপম ইবোমচা মতম অদুগী গৌরালিলা গী শক্লাইরবা কলাকার অমা ওইবনা, মপুবোক্লা লিলা ঔরাইবা অমদি স্ক্রিপ্ট শিনে দাক–শিজিনদা থৌদাং য়াদুনা লাকখি। লোয়নননা পোকমিনবা মবুং ঙানলিঙৈ মতমগী শুমাং লিলা পার্টিদা য়াওরম্বা পাকচাও লৈবনা লিলা পার্টি অসিগী কলাকারশিং ক্যামগৈ নোবিন, লৌরেম্বম লৈকায় তোম্বী, খোঙমনগী অমুতোম্বী, কাংঙুজম অচৌবী, কোঞ্জেং লৈকায় বাবু, চাওবা, চাঙাঙ্গে গী গৌরোনচিংবা ময়াম অসিনা লিলা তম্বনচিংবা তোইনা পাঙথোকপনা অচৌবা ঈথিন অমা পীখি। মদুগী মতুংদা মশাগী চহি ১৭ শুবদা ক্লকৈথেল থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম ইবোতোম্বীগা লোয়নননা য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপী অনী অমদি নুপা অহুম পুন্না মচা মঙাগী মমা ওইখি। অকা –অকুম নাইবা য়ুম্বান পুন্সিদা য়ুম্বুরেম্বী অমগী তঙাইফদ্রবা থৌদাং কয়ানা পুনদুনা মতম শাংনা লৈরুবা তুংদা ঙানপী খোংদা লৈবী মচেম ওইবী অমা থেংনরুবদগী মতম কয়াগী মমাংদগী নমশিন্দুনা লৈরুরবা পামজনা হৌরকখিবা কলাকার অমা ওইবগী ইনোৎ অদু অমুক হন্না ময়োল চোং লক্তুনা চনুরা জাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসন গী বি. জুগোলচন্দ্রনা ইবা লমজিং লমতাক্তুনা পুথোকপা “হাওশিং নমোইনু” হায়রিবা লিলা অসিদা ইহান হানবা ওইনা লালোই অহল অমগী শক্তম লাংদুনা খোংদাবা হৌরকখি। মদুগী মতুংদগী হন্না য়েংলুবা তৌদনা হৌজিক ফাওবদা লিলা ২০গী মথক্তা শক্তম লাং লকখ্রবী শক্লাইরবী অসিনা, খুমন ইবোয়াইমা, ভোরোত, নবা ব্রারেপ্পানচিংবা কয়াদগী লৌশিং জ্ঞান কয়া ফংখি। মসিদসু নত্তনা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা ওঝা বিরজিৎ ঙাঙোম্বদগী থাং–তাগী মহৈশু ফংখি।

**ঐচ রাজেস**

থেটর ব্রুমেন এসোসিয়েসন, হৈরাঙ্গোইথোং য়াংঙম লৈরক নুপী এসোসিয়েসন অমদি হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবী




তরুনিবালা গী এসোসিয়েসন নচিংবা সংস্থানশিংগী প্লে কয়াদশু শরুক য়ারকখি।

মতম শাংনা নুপী ঙাক্তগী ত্রিটমেন্ট ফোল্লো তৌদুনা অকক্লবা এরিয়াদা খক্তা নত্তনা মশাগী ওইবা খরা হাপচনদুনা মথৌ পাং থোকপা ঙম্বা লাইন এক্টিং গী ওইবা ফোর্ম অসিগী তঙাইফদবা খুদক্কী ওইবা পাইরক্কী লৌশিং লৈবা দাইলোগ দিলিভারি দা অয়েংবা ভাবকশিংদা লিলা অমনি ওইবা শুমাং লিলাগী খোঙচৎ অসিদা অয়াম্বা মতমদা নুপাগী কেরেক্টরদতা এক্ট তৌরকখিবা কলাকার অসিগী অহোংবা কেরেক্টর অমা হায়বা তারগদি দিল্লিদা শান্নরুবা কংসা বোধী হায়রিবা প্লে অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবা অসিনা ওইরি। মশাগী কেরেক্টরদা লুপ্তুনা দাইরেক্টরগী হায়বা কাওহন্দুনা চিংশিনবা ঙম্বগী শক্তি লোইনবা শক্তম লাংবী অমা ওইরি।

মতাং অসিদা শক্তম লাংবী অসিনা এক্ট তৌখিবা নেগেটিব কেরেক্টর অমা ওইখিবা “হৈরেল কাংবীশু” হায়রিবা অসিদা য়াম্না ফত্তবা খুদিংমক্তা মশাগীতা ওইনিংবা মাগী অপাম্বদা য়েৎপা পীরকপা খুদিংমক মাংহনগদবনি খনবা কেরেক্টর অমদা এক্ট তৌরিঙৈ শাওরবা ভাবক অমনা নুংগা থারকপদগী পানদুনা লিলাদু ঙাইহাক লেপখি। তুংদা লিলা শিনলিবা অমদি নুং লংলকপা মীশক্তু পুন্না ব্রাখল তামিন্নরবা তুংদা লিলা মখা তাখি।

তশেংনমক অসিগুম্বসি মাইপাক্লবা লিলারোই অমা ওইনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা মীৎকুপ অমনি ! অসিগুম্লবা থৌদোক ব্রাথোক কয়াগা লোইননা মায় পাক্লা চহি লিশাং শিৎনা চৎলক্লিবা খোঙচৎ অমা লেপ্পা লৈত্তনা চত্থরক্লিবী শক্তম লাংবী অসিনা হৌজিকফাওবদা তৌজরকপশিং অদু খংবীদুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিল, পেলেস কম্পাউন্দনা সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন পীদুনা ইকায় খুম্নবীখ্রে।



MANIPUR STATE SHUMANG LEELA COUNCIL
PALACE COMPOUND, IMPHAL
Regd. No. 5495/84

Certificate of Appreciation

This certificate is awarded to ...Th. Bhabini... Devi...
of ...Khwakeithel Thokchom Leikai...
for his/her participation in the 8-Day Long Research & Training on Shumang Leela Tradition in Manipur from June 13 to 20th June, 2008 organised by the MANIPUR STATE SHUMANG LEELA COUNCIL at Iboyaima Shumang Leela Shanglen, Palace Compound, Imphal.

His/her contribution in the course as a ...Trainee... has been well acclaimed.


(Shri Dr. M. Nara Singh)
Chief Advisor & Chief Guest of the Function
Manipur State Shumang Leela Council

Shri Ph. Gunachandra Sharma
President,
Manipur State Shumang Leela Council

(Sh. Hemanta Singh)
Secretary
Manipur State Shumang Leela Council

শক্লাইরবী শক্তমলাংবী অসিনা মণিপুরদতা নত্তনা ভারতকী অতৈ ষ্টেট কয়াদসু শক্তম লাংবী অমা ওইনা শরুক য়াখিববু শকখংবীদুনা উৎকাল য়ুভ, সংস্কৃত সংঘনা শিনবা ওল ইন্দিয়া মলটি লেঙ্গুংএজ দ্রামা কম্পিটিসন এন্দ দান্স ফেষ্টিভেলদা টেলেন্ট সার্টিফিকেট ফংখি।

ওল ইন্দিয়া দ্রামা, দান্স এন্দ ম্যুজিক কম্পিটিসনদা নেসনেল সার্টিফিকেট ফংখি। ইন্টরনেসনেল থিয়েটর এক্সলেন্সি এৱার্দ থিটর ফেষ্টিভেল, কট্টক–ওরিসা না শিনবা ওল ইন্দিয়া মলটি লিঙ্গুয়েল চিলদ্রেন্স / য়ুঠ / ব্রুমেন্স প্লে / দান্স এন্দ ম্যুজিক কম্পিটিসন ২০১০ অমদি ২০১২ শরুক য়ারুরে। রাজর্সি ভগ্যাচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরনা শিনবা ২১৪ লক শুবা দেথ এনিভসারি ওফ রাজর্সি ভগ্যাচন্দ্র ২০১৬দা শরুক য়াখিবশিং অসি শিংথানবা য়াবশিং ওইরি। লোয়শিনলকপদা শক্লাইরবী শক্তম লাংবী অসিগী কলাগী খোঙচৎ অসিনা মতম শাংনা চৎপা ওইরসনু হায়না সনালৈবাক্কী মাইকৈদগী থমজরি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*